## এডিটোরিয়েল

# মীতোপ চংলকপা থিংবগা, থিংই খঙদবশিংগা

*মীখল ময়া য়ৌরকপদা ৱাথোক কয়া ষ্টেটসিদা থোকপা অমসুং থোকহন্নবা হোৎনবসিদি ঙসি ঙরাংগী ৱাফম নত্তে। মসিদি পোলিটিক্স তৌরিবা কাংবুনা ইসু কয়া অমা পোলিটিসাইজ তৌরকপদগী থোকপা ৱাথোক ঙাক্তনি। শম্না উবা য়াবা ইসু অমা লৌখৎপা তারগদি মণিপুরদা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চৎনহল্লু হায়বা মীয়ামগী দিমাণ্ড অসি ঙসি ঙরাংগী নত্তবা চহী কয়াগী মমাংদগী লৈরবা দিমাণ্ড অমনি। দিমাণ্ড অসিগী খোঙজংগী হকচিনবা মতাং খরদা ষ্টেটকী লো এন্দ ওদরগী মতাংদা অচৌবা শাফু কয়া অমা পীখ্রবসু মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবশিংনা হৌখিবা চহীশিং অসিদা নাম্থোক্লবা পান্থৈ থিদুনা লাকখি হায়বসিদি অরানবা অমা ফাওবা য়াওরমগদবা মান্দে। মীখলগী মতম নকশিল্লক্লবা তাঞ্জা খক্তদা ইসু অসিনা ইলেক্সন মেনিফেষ্টোশিংগী শরক অমা ওইনা পুথোক্লকপগুম উই। মসিদি মীয়াম্না খঙলবা ৱাফম অমা ওইবনিনা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মায়কৈদগী এজেন্দা অমা ওইনা পুথোরকপদি য়াগদবা মান্দে। আই এল পি গী ইসুদা প্রোপেগন্দা তৌরকপা কাঙবুদি মীখল অসি থেংনরুবগী মথৌ তাগদবা মীয়াম্না মৱা লৌগদবা পার্টি অমা ওইগনি নিংদে। মদুমকপু মীচম মীয়ামগা পোলিটিকেল লিদরশিংগা লৈনবা মরী অদুনা হেন্না হকচিনবা ওইনা লৌবা তারগদি ইসু অসিগী ৱাহন্থোক লৈত্রে হায়না লৌবা য়ারে। মদু ওইবা তারগনা মীয়ামগী হৌজিক লৈরিবা ষ্টেটস অসিদগী থোইদোক্লা হেনগৎকদবা লৈত্রে হায়বসিসু খঙফম থোকই। খ্বাইদগী লুরিবা ৱাফমদি মণিপুরীশিংনা মীতোপ চংলকপা থিংনবা হোৎনরিবা অসিদা পোলিটিকেল পার্সোনেলিটিশিং ত্রান্সপোটরশিংগী মখাদা লৈবা ইমপ্লোইশিংগী হায়বদি দ্রাইভরশিং অমসুং মখোয়দা ইনশিনবা মীওইশিংবু মশাগী লৌশিং তাহনবা ঙমদবা অসিনি। হায়রিবা মীওইশিং অসিসু মশাগী মথৌ কয়া অমগী মথক্তা অহেনবা পোলিটিকেল প্রেসর অমনা নল্লবা মীওই ওইনা উবা তাই। মীতোপ মীয়ানচা শক্তাকচে য়াওদনা পুশিল্লকপদগী ত্রান্সপোর্ট ওর্গনাইজেসন খরদা অথিংবা পীরকপা অসি লৈঙাক্লসু মশাগী ওইবা ৱাফম মতম চানা ফোঙহন্নিংই। আইননা য়ানা থিংলিবনা কনানো, থিংলিবশিংদা মতেং পাংলিবনা কনানো হায়বসি মীয়ামসু ৱাখল তাদে।*

*মীতোপ চংলকপা থিংলিবসি করিগীনো, য়েলহৌমীশিং হায়বসিনা করম্বা লূপশিংনো হায়বসি য়েলহৌমী ওইবা ফুরুপকী কাংলুপশিং খক্তনা খঙফম থোকই। য়েলহৌমীনি হায়না লৌজদবা মীওই ফুরুপশিংখক্তনা মেজোরিটি ওইবা মীয়ামগী মায়োক্তা লেপ্পনি হায়বসি লৈভাক অসিনা খঙলবসু বীল অমা চহী কয়া অসি পাস তৌবা ঙমদবা, ষ্টেটকী ওইবা আইন অমা শেমদুনা থিংনবা হোৎনদবা হায়বসিদি অচুম্বা মীয়ামগী মীহুৎনা লৈঙাকপা ষ্টেট অমগী চৎনরোলনি হায়না লৌবা ঙম্লোই। মতাং অসিদনি আই এল পি গী ইসু অসি কনানা পুখৎপনো, কনানা থিংবনো হায়বা অমা খঙননবগী ৱাফম অমা লাক্লিবসি। মসিদা কনা অমত্তা থৌনা ফনা চোংথোরকপা ঙমদবদৌনা লৈবসিনা মরম ওইরগা লাক্কদৌরিবা মীখল অসি মরা তপ্পা, মীয়াম্না মশাগী অপাম্বা মীহুৎ খঞ্জবা ঙম্বা থৌশিলগী মখাদা পাঙথোকপা মীখল ওইগদৌরিব্রা হায়বসিদা চিংনবা অমসু লাকহল্লে।*

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### খুরাই তিন্সিং লম্বীদা খুৎশেমগী ত্রাফিক জার্ম

*ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,*

*লম্লোং জি. বি. দি. গ্যাস হায়না খঙনবা হৌজিক-হৌজিক্লা খুরাই তিন্সিং লম্বীগী নিংথৌবুং লৈকাইগী খা থংবদা লৈবা পুরি-পুরাবা উমংলাইগী মায়োক্লবদা লৈবা জি. বি. দি. গ্যাস এজেন্সি অসিদা গ্যাস বুক তৌবা অমদি গ্যাস য়েনবা মতমদা গ্যাস সিলিন্দর লৌবা লাকপা-লাকপিশিংনা পুরকপা ইঞ্জিন পানবা গারীশিংনা লম্বীগী নাক-য়েৎতা খামজিন্দুনা থম্বদগী মফমসিদা লম্বী চৎপশিংদা য়াম্না চাউনা অয়েৎ-অপন পিদুনা ত্রাফিক জার্ম তত্তনা ওইহল্লে। অকক্লবা মতমদা ওফিস কারকপশিংদা, লাইরিক তম্বা ছাত্র ছাত্রিশিংদা, পরিক্ষ্যা থাবা লাকপদা, অনা-অয়েক পুরকপদা, অথু-অকাই অমদি ধর্ম্ম-কর্ম্মগা মরি লৈননা চৎপদা ত্রাফিক জার্ম ওইবগা লোয়ননা ছাত্র-ছাত্রিশিংদা পরিক্ষ্যা মতম চানা নংহৌদবা কয়া য়াওরে। লোয়ননা গারী এসিডেন্ট থোক্তুনা শোকপদগী লাইকন্নবা অমদি মখা তানা নিংঙাই-শংদান্নবা কয়াসু থোক্লে। মীয়ামগীদমক খন্দুনা অনকপদা গ্যাস এজেন্সি হংবিরিবনা তঙাইফদ্রবা গ্যাসকী কস্তমরশিংনা বুক তৌবা অমদি লৌবা লাকপশিংগীদমক্তা গারীগী পার্ক অমা মফম চাবা য়েংলগা থম্নবা থৌরাং হান্না তৌহঞ্জনিংই। অসুম্না গারী পার্ক থম্বীদুনা লম্বী অচৎ-অওকশিংদা অয়েৎ অপন পীদ্রবদি অদোম্বু মীয়াম্না তথি-তথিনা ঙাংরিবসি তোকখিদ্রা খঞ্জে। অথুবা মতমদা গারী পার্ক থম্বীদুনা তিন্সিং লম্বীদা ত্রফিক জার্ম থোকহন্দনবগীদমক্তা অদোমগী পুক্লিং চিংশিনজরি।*

**অদোমগী**
**চৱাল খাইদেম**
**খুরাই সাজোর লৈকাই**

# নীংতম ঈহৌগী লম্বী তাক্লম্বা ইরাবত

**হাওবা**

এংলো মণিপুরী লান (১৮৯১) মায়থীদুনা তুখ্রবা তুংদা মীখা পোল্লবা মীয়ামগী পুন্সিরোলনা অকক্লবা লৈই অমগী মনুংদা লৈদুনা য়াম্না তোন্না হিংলিঙৈদা লোইলৈঙাক্লা মায়ওল চুল্লবা মশাগী নাৎ, খুনাইরোল, শেন্মীৎলোন অমসুং লৈশেম লোন্না লমদমসিগী মীয়াম্বু মঙক হায়গৎপা ফাওবা ঙমহন্দবা মখৈ মখুয়াখাদা নমশীন্দুনা থল্লমখিবগী মায়োক্তা মায়থীদুনা তুখিবা মফম অদুমক্তদা হৌগৎলগা শীংনবা হৈত্রিঙৈগী তাঙ্কক্তা লম্বী লম্মাংনদুনা তুফক-তুফাই চল্লবা তুহৎপীরবা নমথবিরবা লমদমসিগী মীয়াম্বু অচুম্বী লম্বী উহনখিবা, মঙাল পীবিখিবা খা নোংপোক এসিয়াগী লময়ানবা ইরাবত সেপ্টেম্বর ৩০ লাংবনগী ২৩ নি পানবা কুমজা ১৮৯৬ য়ুমশকৈশ নুমীত্তা হিজম ইবুংঙোহল অমসুং চোংথাম নিঙোল থম্বালঙাংবী অনীগী মপারী ওইনা ফংজখিবনি। লোয়লৈঙাক্কী খুবামনুংদা ফদিগুম্না শুমদোক্লবা অয়ো নাহে চল্লবা লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন্না মতমদুগী খুন্নাইগী পুন্সিরোলবু অৱা চৈথেং খম থেংনা পীদুনা তংদু লৈতাদবা পুন্সি মহিং ওইহল্লকখিবা অমসুং লাঞ্জেন লানগায় নংহন্দুনা অৱাবা পীবদা নত্তনা তুংলমচৎ মমশীল্লকপগী, হিংফম লৈরক্তবগী মিহুলনা দং-দং ফুরিবা মমা ওইবীগী শিয়োম্নংদা মিতমখিবনি অমসুং পন্দোল লোন্না অৱাবা খাঙবগী শুক্লা মল্লবা অহিং লোইদ্রিঙৈদা তাইবং ফাওখিবনি মায়কৈ তাকপা লময়ানবা ইরাবত।

লময়ানবগী মশেক মঙালনা অসুক্কী মতিক লংনা ঙানখিবগী মরুওইবা মরমদি থবক তৌবদা মপু ওইবগী ৱাখল মীৎয়েং লৈনা তৌখিবা কখোকপা, পুকচেল শেংবা মমালৈপাকপু য়ৌনা নুংশিজবা, মীচম মীয়ামগী য়াইফ-খোঙথাংদা য়ুম্ফম ওইবা লৈবাক্কী থৌগল তৌজখিবা অসিনচিংবগী মরম্ননি। মরম অসিদগী মহাক্কী ফিদম ওইবা অরেপ্পা শক্লোন লৈতে, লেপ্পা ঙমদে হায়নরিবনি। মহাক লৈঙাক থৌদাগী লূচিংবনি য়াওল্লোয়নি, শান্ন-খোৎনবগী লূচিংবনি, নাৎকী খুৎহৈবা (কলচরেল নেস্নেলিষ্ট) অমনি, আর্টিষ্টনি, খুন্নাইগী লূচিংবনি। অনৌবা ৱাখল্লোন পামজবা মতমগী য়াওলদা লূপচবা লূচিংবনি। অনৌবা ৱাখল্লোন পামজবা মতমগী য়াওলদা লুপচবা লূচিংবনি। কম্যুনিষ্ট খক্কী লূচিংব নত্তে। পঞ্জরিবা হীরমশিং অসিগী থৌদাং চাউরবা লূচিংবনি। মতমদুগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক্কী ৱাফমশিংদা ৱাথোক ওইরক্লবা, লম্বী লম্মাংনরক্লবা তানফম খুদিংমক্তা, লম্বী লমজিন খুদিংমক্তা মহাক্লা ঙাইদুনা লেপ্তুনা হেক্তা লৈরকখিবনি। লম্বী লম্মাংনরবশিং, অৱাবা তারবশিংগী মখুৎ পায়দুনা লমজীংনবগীদমক্তা মহাক্লা মতম পূন্নমক্তা মায়কৈ খুদিংমক্তা লেপ্তুনা, ঙাইদুনা লৈরম্বনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

মহাক্কী মঙাল অসি কয়ামুক লংনা ঙানবগে হায়বা তারবদি, মহাক্লা হকচাং ওইনা তাইবং অসিদগী মুৎখ্রবসু মহাক্কী মঙালদি ঙসিনা হেন্না ঙানখৎলক্লি। ঙসিদি লুরবা লৈবাক্কী ৱাথোকশিংনা লাক্লবদা, লৈঙাক অমসুং মীয়ামগী অমদি ফুরুপ মশেলগী মরক্তা মুক্লবা, খাইবুং তাবা হেনগৎলক্লবদা লময়ানবা মহাকপু নৌহৌ-নৌহৌনা নীংশিংনরি। ইরাবতনা করি হায়রম্বগে করি পান্নম্বগে হায়না হঙ্গৎনা য়েংখৎনরি। মহাক্কী ৱাখল্লোনবু শোয়দনা চুল্লবা চানরবা শিদয়াই-নাদয়াই ওইবা খুন্নাইগী হিদাক ওইনা লৌনরি। বিষ্ণুপ্রিয়াগী ৱাথোক, নাগা লূচিংবশিংগী জিও পোলিটিক্সগী অরুবা ৱাফমশিং য়াওনা খুন্নাইগী মথক্তা লৈদুনা খুন্নাইগী মশোং তাপ-তাপ পায়দুনা মায়ওন চুম্বা ঙল্লিবা নিংথৌনা ফাওবা শোকপা ঙমদ্রবা খুন্নাই অমসুং লৈঙাক্কী অরুবা ৱাফমশিংবু মহাক্কী মখুৎমক্লা পায়দুনা ৱাখেরোল পীনবা হোৎনখিবনি, অয়াম্বনা ৱাখৈবা ঙমখিবনি। মরম অসিদগী ঙসি ফাওবদা মহাক্কী মঙালবু থিদুনা লৈরিবা মরম্না 'ইরাবতকী চক' হায়না খঙনরি।

মহাক্কী লূচিং-লমজিংগী তোঙান তোঙানবা শক্লোন অসি মচা খায়না শীঙথানরি। শান্নখোৎনবগী হীরমদা মহাক্লা লৌরম্বা থৌদাংশিংদি তোপ-তোপ্পা শীংথারিঙাইনি, ফিদম্নি। ফুটবোল, হোকি, বেদমিন্টন, ক্রিকেট, কাং, কাংজৈ, মুক্লা, শগোল কাংজৈ, শাইরোং কাপ্পা, শরিৎ-শরাৎনচিংবা মশান্নশিংদা থোইদোক -হেন্দোক্লা হৈ-শিংঙি। মশা-মউ ফবা, মপাঙ্গল মথৌনা লৈবা, থকশি-খাশি লৈবা, অপুনবগী ৱাখল চেনবা শকমান-লেংমান্নবশিংনা লাম্বা পাবদা নিংহন্নদবা মরিংজেল পানবা মরমদা মরৈবাকপু অৱাংবা থাক্তা পুখৎপা পাম্বা মীরোল শেমগৎপগী পান্দম তৌবা তারবদি শান্ন-খোৎনবা হায়বসি চঙদ-য়াদ্রবা হীরমনি হায়বসি মহাক্লা তাকপীরম্বনি। মসিদগী মণিপুরদা ইহান হানবা ওইনা 'টাউন ক্লব' - (১৯২২) লিংখৎপদা মাঙজীল থংবা শরুক য়াখিবনি। য়াওশঙ আবের তৈনবগী মহুত্তা য়াওশঙ স্পোর্টস ঈহৌ মৈ চুরম্বনি। লমদমসিগী শান্ন-খোৎনবগী পুৱারীদা ইরাবতকী মফম খাকফম থোকই।

অইবা ৱাকমা (কবি) অমা ওইনা মহাক্কী খুদোল চাউখি। শৈদম শৈরেং (১৯২৯), মোহিনি (১৯৩১), লোক মান্য তিলক, ললিট মঞ্জুরি পাত্রিকা (১৯৩৩), মন্দলেগী খোঙচৎ (১৯৩৭), ইমাগী পুজা (১৯৪২-৪৩), জয়মতি, কেপিটেলিজম, অনৌবা য়ুগ (১৯৪৭) মৈতৈ চনু (১৯২২) অসি নচিংবা ইদুনা ফুরুপ অসিনা অনৌবা মঙলান অমগীদমক নৌহৌনা মিকপ থোক্লক্লবা মমালোন খোরিরোলগী থৌগল ফংজখিবনি। মহাক্কী পাউজেলদি তোল্ল-তারবা তুহৎপীরবশিংগী মমল, নুপীগী মতিক ময়াই, ইমা লৈবাকপু নুংশিজবগী থৌদাং লৈহন্নবা অমসুং নীংতম ঈহৌগী পাকশল্লবা কল্লবা শাফু অমা লৈহন্নবা হোৎনবনি।

মহাক কম্যুনিষ্ট অমা ওইরল্লবসু, নাৎকী য়াওন (কলচরেল রিভোল্যুসন) বু চেৎনা থাজবা থল্লম্মী। মসিগী খুখাঙদা লমদমসিগী মীয়াম্বু মাঙদা তারিবা ৱাফম পূম্নমক খঙমিন্নদুনা খোমজীন তাশীনবগী অমসুং মরৈবাক্কী থৌগল তৌবগী থৌদাংশিং পাঙথোক্লম্মী। নাৎকী মরুওইবা শাদোং ওইরিবা মণিপুরী লোন চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখি। অসামগী কাছার, বর্ম্মাগী মন্দলে নচিংবদা লৈরিবা মণিপুরীশিংনা মমালোন মণিপুরী তমগদবনি, ঙাংগদবনি হায়বগী ঈহৌ চখরম্মী। মণিপুরী লোন অমসুং খোরিলোন মপুংফানা পুখৎনবা অমদি চাওখৎনবগীদমক্তা 'মণিপুর সাহিত্য সম্মেলিনী (১৯৩৫) লিংখৎখি, মদুনা মথংদা মণিপুর সাহিত্য পরিষদ অসি ওইরকখিবনি মদুগী জেনরেল সেক্রেটরি (১৯৩৭-৩৮) ওইখি।

মণিপুর দ্রমাগী অহানবা দ্রামা ঈহৌদা লিলা কুম্বা হৌরকপদগী মথংদা তাকপী তম্বীবা ফাওবদা শরুক য়াখিবনি। এমদিয়ু গী শকখঙ খুদম (লোগো) ওইরিবা লাঙ্গোল অসি মহাক্লা হৌদোক্লম্বনি। মসিনা মহাক্কী তুংগী পুন্সিদা য়াম্না কান্নবা ফংহনখি।

অসুম্না ফুরুপ অসিগী লোন, খোরিরোল, চৎন- লোনচৎ, চাওখৎহন্দুনা মণিপুরী ফুরুপকী খোঙফম চেৎলবা অপুনবা লীপুল অমা শাগৎনবা পাঙ্গল লৈরবা অপুনবা ফুরুপ অমা ওইহন্নবা কন্না হোৎনখি। লাইনীং লীচৎ (ধর্ম) গী মিংদা ওৎলিবা অমাং অশেংগী মীওৎ মীনৈদগী মীয়াম্বু কন্ননবা অচেৎপা খোঙফমদগী হন্দোকপা লৈতনা হোৎনখি। রতন, ব্রক্ষসভা, সনখ্বাল অমসুং নিংথৌনা মাংলে হায়দুনা ইন্থোকপীরবশিং, পোৎ লোয়বা অমদি লান্ন- থৌরম পাঙথোকপা য়াহন্দ্রবশিং, কনাগুম্বা অমত্তনা চঙবীদ্রবা ইমুং কয়া ইরাবত মশামক্লা চত্তুনা অমসুং মশামক্লা ঈশৈ ফাওবা শক্তুনা লান্ন-থৌরম (শ্রদ্ধ) ফাওবা পাঙথোকখিবগী থৌদোকশিং লৈখি। অসুম্না নাৎকী অচৌবা য়াওন ঈহৌ হৌদুনা মীয়ামগী মফমদা মীওইবা অমা ওইনা হিংবগী থৌনা পীখি অমসুং মীওইবগী হক ফংফম থোকপদু তানবগী মণিপুর পুৱারীগী অহানবা লামায় হাংদোকখিবনি।

২০ শুবা চহীচাগী অঙনবা শরুক্তদি, লৈঙাক থৌদা (পোলিটিক্স) গী থবক থৌওংশিং অসি পুকচেল শেংনা তৌনরম্বা মরম্না মরৈবাক নুংশিজবা মীওইশিংসু মসিদা য়াওশীন্নরম্মী, মখোয়গী মফম চাওনা কনশীন্নরম্মী। ইরাবতনা লৈঙাক থৌদাগী মায়কৈদা অহানবা ওইনা চঙশিল্লকখিবা অসি 'নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভা' (মে ৩০, ১৯৩৪) লিংখৎখিবা নুমীত্তগী হৌরগা চঙশীনখিবনি। মসিগী 'হিন্দু' ৱাহৈ লৌথোকখিবদগী পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইখিবা অসিনা মণিপুরগী পোলিটিক্স অসি নিংতম্বা পুন্সিরোলদা য়ুম্ফম ওইবা পুৱারীগী অনৌবা তাঙ্কক অমগী মায়ওন পীরকখিবনি। তাঙ্কক অসিদগী হৌরগা মীওৎ মীনৈগী মায়োক্তা লেপ্তুনা ওৎপীরবা মীয়ামগীদমক পোলিটিক্স তৌরকপগী মহয় ওইনা জেলদা লৈখিবা অসিমক্লা মহাক্কী পুন্সিদা মপুংফানা পোলিটিক্স তৌবা লূচিংবা অমগী মতিক ময়াই চেনবা ঙমহনখি। মাক্সিজম লেনিনিজমদা লূপচরবা কম্যুনিষ্ট অমা ওইরকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী পুন্সিগী অনৌবা অয়ুক অমা লাকহনখিবনি। ইরাবতগী পোলিটিক্সকী পুন্সিদা নীংবা কায়বা তাঙ্কক কয়া থেংনখিবা অদুনা অখাং কনবা অমসুং ৱাশক চেৎপগী মতিক ময়াই হেন্না চেলহন্দুনা মীয়াম্না থাবা মপুংফাবা লূচিংবা অমগী লম্বীদা চঙশিল্লকপা হৌখি।

মপুং ওইনা য়েংবদা ইরাবতগী পোলিটিক্স তৌবগী পুন্সিদি অয়াম্বনা নীংবা কায়বা, মায়থীবগী শরুক্লা নমখিবনি। অসুক্কী মতিক ময়াই লৈরবা তোপ-তোপ্পা মীশক অমনা পোলিটিক্সকী লম্বীদা চঙশীল্লকপা মায়থীবগী শরুক্লা করিগী নমখিবনো অমসুং মদুমক্লা মহাক্কী খোঙথাং খুদিংমকপু লৈবাক্কী ফিদম ওইহন্দুনা ঙসি মহাক্কী ৱাখল মীৎয়েংবু করিগীদমক অউপ্পা উনা লোংনা হায়দোক্তুনা থিনরক্লিবনো? ৱাহং অসিগী পাউখুম্নি ঙসি ফাওবা থিনরিবা।

পাউখুমশিং অসিগী মরক্তা অমদি, মহাক্লা লৌনবা হোৎনখিবা ফিরেপ খুদিংমক লৈবাক্কী পান্দমদা য়ুম্ফম ওইবনি অমসুং লৈবাক মীয়ামগী অনীংবা অপাম্বা য়েংলগা লৌখিবনি অমদি মদু লৌনবা হোৎনবদা অকোয়বদা লৈরিবা মীচঙ নৎত্রগা মায়োক্লবগী চোই-চাং য়েংবা তৌদনা, মহাক্কী অচেৎপা থাজবা অদু মন্তিক্লবা তৌদনা থৌনা ফনা ফিরেপ লৌবগী থৌওংশিং মতম পূন্নমক্তা চখখিবনি। মসিমক্লা মীচঙ য়েংলগা ফিরেপ লৌবগী চৎনবী -হৈনবী মরক্তা মহাক্কী থৌনা ফবা খোঙথাংশিং অসি অয়াম্বনা মায়পাকপা ঙমখিদবনি।

লময়ানবগী পুন্সি পোলোইগী তাঙ্কক্তদি অমুক্কা হেন্না মদোম তরক্কী পুন্সি খোঙথাং ওইরকখ্রে। মীরোৎ ওইনা বর্ম্মাদা মদোম চংখিবা অমসুং অমুক্তা ফাওবা উনদ্রিবা বর্ম্মাগী নিঙাই চাউরবা লানহৌ লূপশিংগী মশোং থৌনাফনা পায়রুবা অমসুং মদুবু থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা মায় পাক্লা মায়ওন পীবা ঙমখিবা অসিবু করম্বা মালেমগী থাক্কী পোলিটিক্স তৌবশিংনা ঙম্ফম থোকপগে? হংদবা য়াদ্রবা ৱাহংনি। ইরাবতকী মফমদদি পাউখুম অসি অরুবা নত্তে। মীয়ামগীদমক্তা কখোকখ্রবা পুন্সি অমনা মীৎকুপ খুদিংমক্তা চিংনবা, অকিবা লৈতনা পুন্সি থৌদাং পাঙথোকই। মতম খুদিংদা কখোকপগী থৌরাং তৌদুনতা লৈ মরমদি মদুনা য়াওল ঈহৌগী পান্দম নকশীলহল্লি অমসুং মহাক্কী মার খোঙ্গুল লীরক্কদবা অনৌবা মীরোল ৱাৎলোই হায়বসিদি মহাক্লা মুন্না খঙলিগনি।

# শৈহৌদা কাংখোঙ চাইরবা কলচরেল য়ুনিভর্সিটি

**আই এস খুমন**

মণিপুরগুম্বা কলচরগী মচাক য়াম্না মরাং কায়না লৈবা লমদম অসিদা কলচরেল য়ুনিভর্সিটি অমা লীংদুনা ক্লাস হৌবা হায়বসিদি পাল্লিবা কংগ্রেস গভর্নমেন্ট অসিগী অচৌবা মায় পাকপা অমনি। অদুবু হৌজিক মায়কৈ কয়াদগী য়ুনিভর্সিটি অসিগী ওঝা খনবগী মতাংদা মৈ হৌবা ৱাফম কয়া পাও চেশিংদা ফোঙলকপা অসিনা য়াম্না অশা চাওনা হৌরকলিবা য়ুনিভর্সিটি অসি শৈহৌদা কাংখোং চাইরবা অমগুম উহলকপা অসিদি য়াম্নমক লাইবক থিবনি। মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্নরক্লিবা মত শিং অসি কলচরগী তোঙান তোঙানবা হিরমগী ওঝা খনবগী মতাংদা হাবী-জাবী তৌবগী ৱা ওইনা থেংনরি। অমুক্লা হেন্না য়ুনিভর্সিটি অসিগী কলচরেল থিওরি অমদি কলচরেল ষ্টদিজ হায়রিবা হিরম অনী অসিগী ওঝা খনবদা ফরক তাশিনখ্রবদি নৌরিবা য়ুনিভর্সিটিগী য়াংলেন শরুদা তিল চংখিবগা মান্নরবনি। মরমদি কলচর করিনো করম্না নৈনগনি হায়বসি হান্না খঙবা য়াম্নমক তঙাইফদবনি।

হৌজিক য়ুনিভর্সিটি অসি শৈহৌদা কাংখোং চাইবগী মমি তারক্লনিনা মখা তানা নৈনবা নুংঙাইনবা মসিবু লিংখৎপদা মপুং ওইনা থৌদাং য়ারিবা মীশক অনী অসি কনা কনানো, করম্বা বেগগ্রাউন্দগী মীওইশিংনো হায়বসি নৈনরক্তবা য়ারোই। তঙাইমক ফদ্রবা ফম অনী অসিদা হাপখ্রিবা মীওইশিং অদু য়ুনিভর্সিটি লিংখৎপদা হৈথোই শিংথোইবা অমদি এক্সপিরিয়েন্স লৈরবা মীওইশিং ওইখিব্রা নৎত্রগা কলচর হায়বসি করিনো হায়বগী চপ চাবা জ্ঞান লৈবা মীওইশিং ওইখিব্রা হায়বসিসু ৱাহং তৌদুনা নৈনদবা য়ারোই। অনৌবা য়ুনিভর্সিটি অসিগী অহানবা রেজিষ্টার অমদি ভাইস চাঞ্চেলর ওইনা নারোন্দা হাপখিবা লোংজম জয়চন্দ্র কৌবা অমগা নাওরেম খোগেন্দ্র কৌবা অমগনা লৌখৎলকপা অহানবা খোঙথাংদা ৱারু নুংলু কয়া থোক্লবনিনা মখোয় কনা কনানো করম্বা মীতানো হায়বদু হংবা য়াই।

অহানবদা রেজিষ্টার ওইরিবা লোংজম জয়চন্দ্র ইংলিস অমদি মণিপুরী লিটরেরেগী মহৈরোইনি মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমীদা থবক তৌরম্মী। জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স ওকাদমীগী ডাইরেক্টর ওইরম্বদগী থবক পুবা ঙমদদুনা মশানা ভোলুন্টরি রিট্যারমেন্ট লৌখিবা মীশক অমনি। অমরোমদা ভাইস চাঞ্চেলর ওইরিবা ইংলিস লিটরেচরগী ওঝানি। মতম শাংনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা ওঝা ওইরম্মী। মশাগী শিনফম অদুদগী শক্তিনা হেন্না পাম্বা মীদা ওইনা তৌই হায়বগী প্রমান ওইনা ভোট লেপ্তুনা থেংবদা মায়থিখিবা মীশকনি। অদুবু উপায় অমা নৎত্রগা অমনা শক্তি পায়নবা হোৎনবগী থৌনা লৈবদৌনা তৌবা মীতা ওইনা লৌনৈ। খঙদে করম্না অসিগুম্বা মীশক অনী অসিবু অসুক মরু ওইখ্রবা মহৈ লোইশঙ অসি শেমগৎনবগী দায়ত্ব শিন্নরুরিবনো। মসিদি পূম্নমক্কী খুর্জি পায়বা য়াম্না পাম্বা চীফ মিনিষ্টর খক্তনা খঙলমগদৌবা মাল্লি।

মণিপুরদা ইংলিস হৈবা মীবু লাইরিক হৈবনি, হিরম খুদিংমক পূমখঙ খঙবনি হায়না খনবগী চৎনবী অমা লৈরিবসি লাইবক থিবনি। মসিমক্তি বৃটিশনা চহী কয়া লোই চন্দুনা মখোয়গী মহি মনাই চুশিলহলম্বা অদুগী মহৈনি। লমদম অসিদা ৱেষ্টর্ন ইডুকেসন মরা তানবা মখোয়না শাম্নখিবা লীলা ঐখোয়না কাওথোকপা চুমদে। মদুগী ইরুই ইনিলনা কোট লিংপা, টাই পুনবা ব্যুরোক্রেট ওফিসার, প্রোফেসার কয়াগী দ্রেস কোত কুম খন্নরিবসিনি। অসিগুম্বা লোয়লম শন্দোকপা কাংবুগী লোন ইংলিসকী ওঝা অমদি স্কোলারবু লমদম অসিগী কলচরগী ওথোরিটিনি, এক্সপার্টনি হায়দুনা ফম্বাল থিন্দোকপা হায়বসিদগী হৌনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী পুৱারীদা হামুক তৈশিনবা হৌখ্রবনি।

য়ুনিভর্সিটি অসিগী মপুং ওইবা ফম্নাইবা অনীনা কলচরগী বেকগ্রাউন্দ লৈতবনিনা ওঝাশিং লৌবগী কোর্দ মেম্বর খনবদা য়াম্না চাওনা অহোবা লৈরকপা মশানা তাবনি। খুদম ওইনা অমত্তং লৌখৎপা তারবদা কলচরেল থিওরি অমদি কলচরেল ষ্টদিজগী ইন্টরভিয়্যুদা সবজেক্ট এক্সপার্টনি হায়দুনা খল্লিবশিং অদু মখোয়গী ফুরিৎ খাওদগী পুথোকপা ফদি রুমান তিন্নবা য়াওই হায়বসি মণিপুর পীশক পীকপা লমদমনিনা ইখৎ খঙনবা পোৎনি। ওঝা শিং অসি খনবদা মখোয় য়াওনা য়াওনা এক্সপার্ট শিংনা খল্লম্বদু খনবনি হায়রগা হেক্তা কোকপা য়াগদবা নত্তে।

রেজিষ্টার অমদি ভাইস চাঞ্চেলরনা য়ামদ্রবদা হাংলিবা ফেকলটি খুদিংমক্কী বেসিক আইদিয়া লৈ হায়না লৌনরিবনি, লৈফমসু থোকই, মদু লৈত্রবদি এক্সপাট খনবদা অমদি ইন্টরভিয়্যু য়াওবদা শোইদনা ফরক তারমগনি। শেঞ্জা থুমজা, কাতু কারল তৌই হায়না লৈবাক্লা ঙাংনরবা খঙনরবা, ইবা পাবা ফজনা ঙম্বা নত্তবা, একাদমীসিয়ান নত্তবা কয়াবু সবজেক্ট এক্সপার্ট ওইনা করিগী খল্লিবনো হায়বসি অচৌবা ৱাহং ওইরক্লবনিনা মসিগী মতিক চাবা পাউখুম পীবা ঙম্বা তাই নৎত্রবদি পুন্সিগী পোলোইদা খোঙনা থোংনা বদনামগী লম্বীদা চৎপা হায়বদু তারক্কনি।

নৌনা লিংখৎপা য়ুনিভর্সিটি অমা ওটোনোমি লৈনা নিংথিনা শেমগৎনবা থাদোক্লগা চীফ মিনিষ্টর, মিনিষ্টরগী ইন্সএক্সনদা কলম থৈ হায়না লৈবাক্লা ৱা ৱা লাওনা ঙাংনরবনিনা হন্দক্কী কলচরেল য়ুনিভর্সিটিগী ওঝা খনবদা মশা নৎত্রগা মখোয়গী নক্লবা মীওইশিংনা লূপা লাক্ষ-লাক্ষ লৌখিবা লৈতে হায়দুনা খ্বাই তরাগী মমাঙদা কংলাগী ইবুধৌ সনা মহিগী ফাংখোঙ পায়দুনা ৱাশকপা ঙল্লবদি পূম্নমক্লা খিৎতি থাজবা য়াই। লূরিবদি ঐনা নত্তে মানা হায়রকপনি হায়না ৱাশক্লবদি মদু মীনম্বনি, মদুগুম্বা থৌদৌ অদুদগীনি ৱায়েন কাতি পাইখি হায়রিবদো।

য়াম্না অশা চাওনা ইন্দিয়াগী মমাই ওইবা য়াবা মখলগী য়ুনিভর্সিটি অমগী মঙ মঙলুরগা থবক খুৎতৌ শোয়বদগী শৈহৌদা ফাগী তাদুনা মীনা থাজদবা ইডুকেস্নেল ইডুকেসন অমা ওইখ্রবদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর অমদি মণিপুরগী ওইনা কয়াদা লাইবক থিখ্রবা।